মোইরাংদা চেল্লিবা তুরেলশিং অমদি তুরেল খোংবান পুম্নমক শেংদোকপগী থৌরম অমা বিষ্ণুপুরগী এস পি প্রিয়াদর্শিনিগী মীৎয়েংখাদা এস দি পি ও অমদি ও সী য়াওবা টিম অমনা পাঙথোকখিবা

CLEANING OF MOIRANG RIVERS BANK AND ITS TRIBUTARIES IN MOIRANG TOWN AREA

লামায় ৫

ৱাঙ্গৈদা চথরিবা ফেষ্টিভেল ওফ বি কে ৱাহেংবম প্লেজ ২০২১গী অনীশুবা নুমীৎতা শংলাকপম ইবোচৌবা শর্ম্মনা দিরেক্সন পীবা ৱাঙ্গৈ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন্না শান্নবা *মীকপ থোক্লবা* দ্রামা উৎখিবা

লামায় ৫

রিমসতা এম বি বি এস তম্লিবা খুরাই থাংজম লৈকায়দগী সনাতোন শিখিবগী মতাংদা জষ্টিস ফোর সনাতোন অথোকপম অমদি লল্লোং কৈথেল ফন্বী অপূনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা লল্লোং কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফম্বা

লামায় ৪

কোন অমদি এস ভি ঐচ সী পিনা খুৎশম্নরগা নেসনল ভাইরেল হেপটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা অহানবা ওইনা শজিৱাগী জেলদা লৈরিবা দ্রগ শীজিন্নরম্বা মীওইশিংদা হেপটাইটিস বি অমসুং সীগী স্ক্রিনিং তৌবগী থৌরম

লামায় ৪

ঠিএটর ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): নোর্থইষ্ট জোন কলচরেল সেন্টর, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনা কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা লৈবা কলচর সেন্টর মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা মার্চ ১দগী ১৭ ফাওবা চথরকপা চিলদ্রেন ঠিএটর ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম মার্চ ২০দা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোক্লগনি।

চিলদ্রেল কলচরেল সেন্টর মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়, নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা পাঙথোক্কদবা থৌরমদা নেসনল এৱার্দী ডা. মখোনমনি মোংসাবা, চিলদ্রেন কলচরেল সেন্টর মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট পেবম বিরকুমার অমদি খেঞ্জোংলাং ঠিএটর ইম্ফালগী দিরেক্টর ডা. সনবাম থানিল লৈমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুকয়াগনি। অঙাং ২৪না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরমদা ডা. লমাবম গোজেন্দ্রনা ইবা অমসুং দিরেক্সন পীবা 'থৌনা ফবা খন্বা অমসুং থৌনা ফবী গাইজিলু' উৎকদৌরি।

ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): লল্লোং কৈথেলদা জষ্টিস ফোর সনাতোন অথোকপম অমদি লল্লোং কৈথেল ফন্বী অপূনবা নুপী লূপ অনীনা শীন্দুনা হৌখিবা মার্চ ১৫দা রিমসতা এম বি বি এস তম্লিবা খুরাই থাংজম লৈকায়দগী সনাতোন অথোকপমবু রিমস হোষ্টেলদা চিংননিংঙাই ওইবা মীশি অসিগী মতাংদা লংলা-লংজিল অথুবদা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু হায়দুনা ঙসি মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

অথুবা মতমদা মীহাৎপা পুথোকপীদুনা মরালগী মতুংইন্না চৈরাক ফংহনবীয়ু। অথুবদা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। রিমস ওথোরিটিনা তুমীন্না লৈশিনবা য়ানিংদে। অচুম্বা লংলা-লংজিল মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। অথুবা মতমদা সনাতোনগী কোল রেকোর্দ ইমুং-মনুংদা শীন্নবীয়ু। রিমস হোষ্টেল সী সী টি ভি ফুটেজ পুলিসতা শীনৌ। রিমস অসি অফবা মহৈ-মশিন তম্ফম ওইহল্লু, রিমস কনসি হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

পাউজেল পীজরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): ৮শুবা ইন্টরনেসনল দে ওফ হাপ্পিনেস ২০২১ লাকপদা মণিপুর পিপলস দেম্মক্রেটিকফ্রন্ট (এম পি দি এফ)না লমদম অসিগী মীয়ামদা নুংঙাই য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়না ফ্রন্ট অসিগী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নুমীৎ অসিনা লাকপদা মালেমসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক নুংঙাইবা য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু। লায়রবা কোক্তুনা নুংঙাইবা য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু। ঈং-চিকপা, অকি-অখঙ য়াওদবা, পূক্লিং লৈতাবা লমদম অমা ওইরসনু। মীনা-মীবু ঈকায়খুম্নবা মালেম ওইরসনু। মালেমগী লৈরিবা ইচে-ইচল, ইমাশিংবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপীবা ওইরসনু। মশাগী ওইজবা থিবদা ঙাওরবা নুপা-নুপী খূদিংমক্কী থম্মোয়বু হুমদুনা পুখ্রসনু। কল্লক্লবা, য়েংথিনবা খূদিংমক থাদোক্লদুনা অমত্তা ওইরসনু। মীওইবা খূদিংমক হরাও মোমোন নোক্লা লৈবা ওইরসনু। য়ু এননা লৌখিবা ৱারেপ মালেমদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক হাপ্পিনেস ওইহনবদা মীপুম খূদিংমক্তা লোয়নবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

জেলদা লৈরিবা মীওই ১৬ ঐচ সী ভি, ঐচ বি ভি পোজিটিভ ওইরল্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাদা লৈবা দ্রগ শীজিন্নরম্বা মীওই ২৩গী মনুংদা ১৬ হেপটাইটিস-সী ভাইরস অমসুং হেপটাইটিস-বি ভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখ্রে।

কম্যুনিটি নেটৱার্ক ফোর ইম্পাৱরমেন্ট (কোন)গী প্রসিদেন্ট নলিনিকান্ত রাজকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনল ভাইরেল হেপটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা অহানবা ওইনা শজিৱাগী জেলদা লৈরিবা দ্রগ শীজিন্নরম্বা মীওইশিংদা হেপটাইটিস বি অমসুং সীগী স্ক্রিনিং তৌখি। ষ্টেট ভাইরেল হেপটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম, মণিপুর সেন্ট্রেল জেল শজিৱা অমসুং কম্যুনিটি নেটৱার্ক ফোর ইম্পাৱরমেন্টনা খুৎশম্নরগা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

কুমজা ২০১৭তা কোননা ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স অমসুং নির্বনা ফাউন্দসনগা খুৎশম্নদুনা জেলদা লৈরিবা মীওইশিংদা লেম্না ঐচ সী ভিগী লায়েং চখবা হৌখ্রবনি। তাঙ্কক অহুম থোক্না পায়খৎখিবা থৌরাং অদুগী মখাদা প্রিজনর ৪৫ লেম্না ঐচ সী ভিগী লায়েং চখখি। মখা তানা শজিৱাগী মণিপুর সেন্ট্রেল জেলদা ঙসি প্রিজনর ২৩ স্ক্রিনিং তৌবদা মীওই ১৬ ঐচ সী ভি অমসুং ঐচ বি ভি পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। প্রিজনর অমা ঐচ সী ভি অমসুং ঐচ বি ভি পুন্না পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি।

ষ্টেট ভাইরেল হেপটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম, মণিপুর সেন্ট্রেল জেল শজিৱা অমদি কোননা খুৎশম্নরগা মণিপুর সেন্ট্রেল জেলগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি ভাইরেল হেপটাইটিসকী মতাংদা এৱ্যোর্নেস কম স্ক্রিনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ প্রিজন তৌথাং, নেসনল ভাইরেল হেপটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী ষ্টেট নোদল ওফিসর ডা. আর কে রোজি অমসুং কোনগী প্রসিদেন্ট নলিনিকান্ত রাজকুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডা. আর কে রোজিনা হায়খি, জেলদা লৈরিবা হেপটাইটিসকী রিস্ক ৱাংবা প্রিজনরশিং টেষ্ট তৌরগা লেম্না লায়েংনবগী থৌরাং মখাদা অখন্নবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। স্ক্রিনিং প্রোগ্রাম মায় পাকহনবগীদমক মহাক্না জেলগী এস পি তৌথাং অমদি কোনগী মফমদা থাগৎপা ফোংদোকখি।

ভাইরেল হেপটাইটিস লাকশিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখিবদা ডা. আর কে রোজিনা হায়খি, নেসনল প্রোগ্রামগী মখাদা আউটরিচ কেম্প মরি পাঙথোক্তুনা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৫০ হেন্না থেংনখি। লিভর সিরোসিস অমসুং লিভর কেন্সরনচিংবা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়নাশিংদগী মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌনবা চিংননিংঙাই ওইবা মীওই খূদিংমক মশানা খঙনা থোরক্তুনা হেপটাইটিস সী অমসুং হেপটাইটিস বিগী মতাংদা টেষ্ট তৌবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

মহৈরোয়শিংদা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক্তা লৈবা কে এম ব্লুমিং স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন অমদি সাইবর ক্রাইমগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদিসনল এস পি (লো এন্দ ওর্দর) লক্সে শর্ম্মা, দি এস পি খেলেন অমদি ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী সব-ইন্সপেক্টর আর কে জিতাসনানা শরুক য়াখি। সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েংখাদা সেসন অহুম থোক্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নুপীমচা ৪০০ অমসুং নুপামচা ৫০০না শরুক য়াখি। পুলিসনা নহারোলশিংবু তোঙান-তোঙানবা ক্রাইম মতাংদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি হায়রি।

অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): রিমসতা এম বি বি এস তম্বা খুরাই থাংজম লৈকায়দগী অথোকপম সনাতোন শিখিবগী মতাংদা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্ত্রবদি মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না য়ুনিয়ন ওফ সোসল অপলিফ্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে তোন্দোননা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এম বি বি এসকী মঙাশুবা সেমিষ্টরদা তম্লিবা মহৈরোয় অথোকপম সনাতোনগী মীশি অসি চিংননিংঙাই ওই। মীশি অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক অমদি রিমসকী ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোকফম থোকই। ঙসি ফাওবা খুন্নাই অসিদা থোকখিবা মীশি-মীনা কয়াগী অশেংবা লংলা-লংজিল পুথোকপা ঙমদনা মাঙখিবা কয়া অমসু লৈখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া মতুংদসু থোরকপা য়াই। মমাঙদসু মহৈরোয় নুপীমচা অমা মশামক্কী স্কুল বোর্দিংদা শিরম্বদগী অকনবা ঈহৌ অমা লৈখ্রবনি। মীশি অদুগীসু হৌজিকফাওবা অরোইবা ৱায়েল ফংহনবা ঙমদ্রি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

ওথোরিটিনা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোকপগী মমি উবা ফংদ্রি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, মীশি অসি মশা মথন্তা শিজবা ওইনা লৌবগী ফীভমদা লাক্লি। ইম্ফাল ইষ্টতা লৈরিবা ক্লবশিংগী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা য়ুনিয়ন ওফ সোসল অপলিফ্টমেন্টনা মীশি অসি তরাইনা লৌদে। লৈঙাক্না অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্ত্রবদি জে এ সী অমদি খুরাই লল্লোং কৈথেল ফন্বী লূপকা খুৎশম্নদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়রি।

নুপা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী হুম্নী চনবা নুমীৎ

পান্থোইবী যাত্রা কম দ্রামা এসো:গী *হল্লকখো তামোচা* ১সুং সঙাই আর্টিষ্ট এসো:গী *লাল্লিবসি কনানো* উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস): এম এস এস এল সীনা শীন্দুনা কোনুং লম্পাক্কী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরক্লিবা নুপা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী ঙসি হুম্নী চনবা নুমীৎতা পান্থোইবী যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএসনগী *হল্লকখো তামোচা* অমসুং সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *লাল্লিবসি কনানো* উৎখ্রে।

অহানবা উৎখিবা লীলা হল্লকখো তামোচা অসি ডা. লাইশ্রম সচিকুমার য়ুরেম্বমনা ইরগা য়াইরিপোক ইবোমচানা তাকপী তন্বীবনি। লীলা পুথোকপা অমসুং ঈশৈ ময়েক্না জয় প্রকাশ শগোলশেমনি। ম্যুজিক দিরেক্টর অমসুং কি বোর্দতা ইমো কৈরক, গিটরদা প্রেম, পেদ দ্রমদা মাইকেল, তবলাদা ইতাও সোভা লমজাও অমসুং বাঁসিদা থৌদাম লেম্বনি। নুপা খোঞ্জেলদা জয়প্রকাশ সগোলশেম অমসুং নুপী খোঞ্জেলদা পহারী খ্বাইরাকপমনা শৈশকখি।

লীলাগী ৱারীদা ইমুং অমদা মচিল-মনাও ওইনা লৈমিন্নরকপদা পোকমিন্নদবনি হায়দুনা মনাওনুপাবু শঙ্গোমদা হূ হাপ্পুনা ময়াম্বনা হাৎননবা হোৎনখি। অদুবু শঙ্গোম অদু শিহন্নিংলিবা মনাওনুপানা থক্তনা চৎখিবদগী অপোকপা মপানা থকখি। মপা লৈখিদবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মনাওনুপাবু মপা হাৎপনি হায়দুনা জেলদা থমখি। মসিদসু নত্তনা শেলগী অচাওরম পাম্বা মবুংনা মচলনুপীবুসু এসিদ হৈজিন্দুনা মমিৎ তাঙহনখি। মনাওনুপা জেলদগী চেন্থোরক্লগা মীরোৎ ওইরক্তুনা ফৎত্রবা ময়াম্ববু হাৎনবা হোৎনবদা মচলনুপীনা কনবীনবা হায়জবদগী হাৎখিদবা ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবনি।

লীলা অসিনা পীনিংলিবা পাউজেলদি ফত্তবগী শরৌ লাং হায়বসিদি লেপ্পা লৈতে। মচিল-মনাওগী ওইবা ৱাফম লৈতে, শেলনা মরুনি হায়গদৌরিব্রা হায়বা ৱাহংসু হংহল্লি। অচুম্বগী ৱাহন্থোক পীবা ঙমদনা হাৎপা হায়বসিনা মাঙ থাই হায়বদু উৎথোকপনি।

লীলা অসিদা শক্তম লাংখিবশিংনা কান্ত অপাইবীদা থৌদাম লেম্বা, উকিলদা মোইরাংময়ুম দেবদত্ত, সব-ইন্সপেক্টর মনিদা ৱাহেংবম সনামনি, শেঞ্জাও পায়বা ইবোহলদা য়াইরিপোক ইবোমচা, তামোচা বসন্তদা চিংথাম সৈত্যজিৎ, পুলিস ইন্সপেক্টর কেশোদা থোকচোম হেম্বা অমসুং ময়াম্বা তম্বদা হাওবিজম নিংতোম্বনি। নুপী শক্তমদা তথোৎলৈদা সোইবম জগৎ, থোইপীগী শক্তমদা লাইরেনলাকপম সুরজ অমসুং বিনাগী শক্তমদা ৱাইরোকপম সদানন্দনি।

অনীশুবা লাল্লিবসি কনানো হায়রিবা লীলা অসি তরাচান্দ ওইনামনা ইরগা ইবোয়াইমা খুমননা তাকপী তন্বীবনি। ঈশৈ ময়েক্তা টি ইবোমচা অমসুং ম্যুজিক দিরেক্টরদা এ চাবীনি। পেদ দ্রমদা কে দিপক, বাঁসিদা সন্দিপ, গিটরদা আলিসান, তবলাদা তোইজম ইবোমচা অমসুং কি বোর্দতা এ চাবীনি। নুপা খোঞ্জেলদা জেমস হৈক্রুজমনা শৈশক্লগা নুপী খোঞ্জেলদনা কে সী বোইনাওনা শৈশকখি।

লীলা অসিগী ৱারীদা য়ুম্বুরেম্বনা লাইরিক তমদুনা এম এ ওইজরবসু প্রাইভেটওজা ওইবগী তোলোপ অদুনা পীকমনবদগী তোক্লক্লগা য়ু থকপা মীওই ওইরকখি। য়ুম্বুরেম্বীনা প্রাইভেট বেঙ্কতা থবক তৌদুনা মীমান্নদ্রবা মনাও অমসুং বোক্সিং শান্নরোয় মনাও অনীগা মচানুপীগা য়োক্লকখি। মসিগী অৱাবা চৈথেংনা মীমান্নদ্রবা মনাওনুপানা ফংখি। মসিদগী ইমুং অদু মচেৎ তানা কায়থরকই। শেঞ্জাও পায়বা অচৌ-অশাংগী মচানা মনিং তম্না ফৎতবা লম্বীদা খোঙদারকপদা মসিগী চৈথেংনা লায়রবশিংদা ফংহল্লি। লাঞ্জদ্রবা লায়রবশিংবু তুহৎ-নৈহৎপীবগী লাংদা য়ুম্বুরেম্বীসু থুদুনা শাশিন্নবা ৱাহৈদা থাজরুবদগী মচানুপীবু থাজখি। মচানুপী অদুবু কন্নবা হোৎনবদা খুরাইয়াইনা পুন্সি পীখম্নখিবগী ৱারীনি।

লীলা অসিনা পীনিংলিবা পাউজেলদি মীমান্নদ্রবা মীগীসু থম্মোয় পাল্লি। মচিল-মনাও অমসুং মচা নুংশিবা মশক খঙই। অফবদা খল্লি, লৌথুপ লৌকোই লৈতে। তুহৎ-নৈহৎপীবদা খাংবা ঙমদবা চৈনাদি ফংই। অদুগা লায়রবা মচা হায়বসি চন্নফম লৈত্রবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা খুন্নাইদা হিংই। শান্নরোয়বু য়োকখৎলবসু অচৌ-অশাংশিংগী মচাদদি থাজবা পামদে হায়বদু তাকপনি।

লীলাগী খোঙজেল য়াংনা চৎলি। মতিং লৈবা লীলারোয়শিংগী মফোংদোক্তা মতিক ময়াই লৈবগী মমিদা শান্নবা লীলা ওইহল্লি। কপ্পা-নোকপা অমসুং নুংশিবগী ঈচেলদা তীলহন্দুনা শান্নবা লীলা ওইখি। লীলা লোইরকপদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবদা ক্ষেত্রি য়ুগিন্দ্রোনা ৱাতেল্লোই ওইখি। মীয়ামগী ৱাহংদা লীলারোয়শিং অমদি অইবা/তাকপী তন্বীবশিংগী পাউখুমগা লোয়ননা হেন্না ফগৎনবগী ৱাখল্লোন কয়াসু ফোংদোক্লখি।

লীলা অসিগী নুপাগী শক্তমদা এল ইবোয়াইমা খুমননা য়ুম্বুরেম্বা থোইবা, সুনিল মাইবোইনা শেঞ্জাও পায়বা অথৌবা, রাজেশ নিংথৌজানা বোক্সর লানঙম্বা, ৱাই ইঙোচানা নোঙাল, কবি মোইরাংচানা মীমান্নদ্রবা বোয়াই অমসুং ফাগী পুবা মৈনমগী শক্তমনা সুরজিৎ সাইখোমনা লৌখি। নুপীগী শক্তমদা য়ুম্বুরেম্বী থাবল্লৈদা ওইনাম অরুন, মচানুপী থোইবীগী শক্তমদা হেমচান্দ অমসুং ডা. লিন্থোইগী শক্তমদা হিজম জগদিসনা ওইখি।

'দ্রগ লল্লোনবশিং চৈরাক পীগদবনি'

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): কুমজা ২০১৮গী জুনদা লুপা ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী), চান্দেলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়দুনা দিসেম্বর ১৭, ২০২০দা এন দি এন্দ পি এস কোর্টনা থাদোকখিবা অমসুং ফৌদেল দ্রগ কেস হায়রগা খঙনবা লুপা ক্রোর ৪০০ হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা মীওইশিং থাদোকখিবদা লৈঙাক্না তুমীন্না লৈশিনবা অদুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা থা অসিগী ১৮গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হিয়াংথাংদা হিয়াংথাং মনিং লৈকায় মৈরা পায়বী লূপ অমসুং কাদানা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱাকৎ মীফম অদুদা ৱা ঙাংখিবদা কাদাগী জেনরেল সেক্রেটরি গীতচন্দ্র মঙাংনা হায়খি, লুখোসৈ জৌগী কেস অসি মণিপুর লৈঙাক্না হায়র কোর্টতা আপীল চৎতুনা কেস অসি অমুক হন্না থিজিন্দুনা মরাল লৈবা মীওইশিং লোগী ওইবা চৈরাক পীয়ু হায়না মীয়াম্না ঈহৌ চঙশিল্লবসু মণিপুর লৈঙাক্না আপীল চৎলু হায়বা য়াবীদ্রি। মীয়াম্ন চঙশিল্লিবা ঈহৌ অসি লোনা য়াদবা ঈহৌ নত্তে। কেস অসিগী জজমেন্টতা মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা কেস অসিগী জজমেন্টতা মীয়াম্না পেন্দবা লৈরগদি হায়র কোর্টতা আপীল চৎপা য়াই হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা য়াওরিবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোংদোকখি। লুপা ক্রোর ৪০০ হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা মীওইশিং থাদোকখিবদা মণিপুর লৈঙাক্না তুমীন্না লৈশিল্লিবা করিগীনো হায়বা ৱাহংসু হংখি হায়রি।

অরানবা চার্জ কয়া তৌরকপনা ইপুরোইবগী থৌনি থৌগল ফজনা তৌবসু ঙমদ্রে : নিংদেনশা

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা খুরিংখু ভিলেজদা লৈবা রোয়ল মঙ্গোলজাওগী য়ুমদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা থৌরী য়ান্দুনা শিরল্লে হায়রিবা মঙ্গোলজাওগী মচানুপী লৌবা সী ঐচ লুশৈ তরাও (২২), অপোকপা সী ঐচ কোদার তরাও, বুকথ্রোল ভিলেজগী লৈখিদবদগী অৱাবা খাংলিঙৈ চৈরক্তা বুকথ্রোল ভিলেজদগী ইপুরোইবগী ইমুং-মনুংনা য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা চার্জ ময়াম অমা তৌরক্তুনা অৱাবা পীরকপসি য়ানিংদে মসিদি লাইবক থীবনি। অঙাং অপীকপা অসিগা অৱা-চৈথেং খাংলিঙৈ অসিগুম্বা য়ুম্ফম য়াওদবা চার্জ অসি অমুক হন্না তৌবীরক্নু হায়না লৈখিদ্রবা লুশৈ তরাওগী লোয়নবী আর নিংদেনশানা ফোংদোরক্লি।

ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খুরিংখু ভিলেজদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা লৈখিদ্রবগী লোয়নবী আর নিংদেনশানা মখা তানা হায়খিবদা থা অসিগী ১৩দা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুরিংখু ভিলেজদা লৈবা মহাক্কী মপামগী য়ুমদা থৌরী য়ান্দুনা শিরমখিবনি হায়রদুনা মপুরোইবদা অসুম্না তৌরকপসি ৱাখল য়াম্না নুংঙাইতে। মহাক্না থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বা নুমীৎকী নুমীদাং মহাক য়ু ঙাওরগা ফমুংদা চঙলবা মতুং মহাক্কী নুপীদা অতোপ্পা মীগা মরী লৈনৈ হায়দুনা নিংঙাই শংদানখিবদি লৈখি। মদুগী তুংদা ফিরোল পুরগা মপান্দা থোকখিবনি।

মশানা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বা অসিদা লৈহৌরিবা অঙাং অপীকপা অসিগা ঐগসু য়াম্না থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতনা লৈরিঙৈদো জে এ সী শেমদুনা অরানবা ৱাফম ময়াম অমা হায়রকপসি য়াম্না নুংঙাইতে। অরানবা চার্জ ময়াম অমা তৌদুনা লৈবা অসিনা মরম ওইরগা ইপুরোইবা লৈখিদবগী তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনি থৌগল ফজনা তৌবসু ঙমহন্দ্রে হায়খি।

লৈখিদ্রবা লুশৈ তরাওগী অপোকপা অমদি জে এ সীনা শীরক্লিবা ইৱালশিং অসি য়াম্না মওং চাদবা অরানবা ৱাফমনি। লান্না লান্না চার্জ তৌবগী মহুৎতা চুম্মী চুমদে হায়বগী ৱায়েল লাক্কনি। মদু ঙাইগদবনি হায়রদুনা কনানা লানবনো হায়বদু লৈঙাক্না অদুম থিজিনসনু। অরানবদু অদুম চৈরাক ফংজসনু। মদুদি নত্তদুনা নুমীৎ খূদিংগী অরানবা চার্জ ময়াম অমা তৌরকপসি য়াম্না পেন্দে হায়খি।

'কুমজা ২০১৬তগী মখল কয়াগী পোখোক পুথোকপা হৌখিবনি'

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): কুমজা ২০১৬ তগী হৌনা ঙায়াম ফুদস, মিল্ক চোকোলেট, জিঞ্জর দার্ক চোকোলেট, ব্লেক রাইস সোপ, ফ্রুইট জ্যুইস, পোর্ক পিকল, বীফ পিকল, চিকন, ৱাইল্ড এপ্পল কেন্দিনচিংবা তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিং পুথোকপা হৌখিবনি হায়না ফার্মর ইন্টরেষ্ট গ্রুপ কম্পেনিগী কো-ফাউন্দর ময়াপাম সংঘনা ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফালগী হাপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লিবা মাই-ওন ২০২১ এগজিবিসনগী মরিনি চনবা নুমীৎতা পাউমী টিম অমগা উনবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। ষ্টোল নম্বর ৩১দা ফল্লিবা মীওই অসিনা হায়খি, হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেন্থং অমত্তা ফংবা লৈত্রি। অদুবু ইন্দিয়ন কাউন্সীল ওফ এগ্রিকলচরেল রিসার্ছ (আই সী এ আর)না পূক্লিং থৌগৎলকপা লৈখ্রে। লৈঙাক্না করিগুম্বা শেলগী তেংবাঙ পীবীরবদি পোখোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখি।

দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচরগী মখাদা ফার্মর প্রদ্যুসর কম্পেনিনা হাংদোকপা ষ্টোল নম্বর ৩৩গী মপু রাজকুমারী বিনাতানা হায়খি, কুমজা ২০১১দগী চেঙ্গুম থাবা হৌরকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবা নেসনল মসরুম দে কম্পিটিসনদা অহানবা মনা ফংখি। কুমজা ২০১৯দনা বেষ্ট ফার্মর এৱার্দ ফংখি। বিনাতা মসরুম সেন্টর হাংদোক্লিবা মীওই অসিনা হায়খি, হান্না খঙলমদ্রবসু হৌজিক্তি কুইনা লীদুনা থন্বা য়াগদবা মসরুমগী পোখোক কয়ামরুম পুথোকপা ঙল্লে।

য়াওশং মৈ থাবগী থৌরম খক্তমক পাঙথোক্লগনি : এস য়ু ও

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা মণিপুর লৈঙাক্না য়াওশং কুম্মোগা মরী লৈননা অথিংবা কয়া থল্লকখিবা মরম্না হন্দক চহীগী ওইনদি য়াওশং মৈ থাবগী থৌরম খক্তমক পাঙথোক্লগনি হায়না সোসল অপলিফ্টমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস য়ু ও)না ফোংদোরক্লি।

লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হন্দক চহীগী ওইনা য়াওশং স্পোর্টস মীট পাঙথোক্তনবা ফিরেপ লৌরে। শিংজমৈ তোপ লৈকায়গী অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা য়াওশংগা মরী লৈননা ঈশিং চাইনবা, লম্বী থৎপা, লম্বী লমজাওদা ঈশিং বোল লংবা অমসুং য়াওশংগা মরী লৈননা শেল খায়বগী থবক তৌবা য়াররোই। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেব লাকশিন্নবগী পান্দমদা মণিপুর লৈঙাক্না শেমখিবা চৎনকাঙলোন মতুংইন্না লৈকায় অসিগী মীপুম খূদিংমক্না লুহোং-কৈহোংবা অমদি নাৎকী ওইবা থৌরমশিং মী কা হেন্না তীনবীগনু। শিংজমৈ এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী ওইনা স্পিকরনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরগা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লগা লৈঙাক্কী কাঙলোন ঙাকপা ওইনা য়াওশং মৈ থাবগী থৌরম নত্তনা স্পোর্টস মীট পাঙথোক্তনবা অমসুং য়াওশং কুম্মোগা মরী লৈননা মী পুনবা য়াহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

ফ্রী দি দোগ কেম্প অমা পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): সী সী এস কে, য়াদা অমদি য়ু সী এস সী কেগা পুন্না খুৎশম্নরগা মার্চ ২৬তা ফ্রী দি দোগ কেম্প অমা পাঙথোক্কদৌরি। কেম্প অসিগী মরুওইবা পান্দমদি য়াওশং কুম্মে লাকপদা ময়াই কাবা চীঙাক চারগা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ক্রাইম কয়া থোরকপা য়াই। মরুওইনা লম্বীদা এক্সিদেন্ট থোরকপা য়াবা অমদি নুপী-অঙাংদা ক্রাইম কয়া চথরকপা য়াই হায়না য়ুথ এথলেটিক দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি অরিবম এজিজ খাননা ঙসি সী সী এস কেগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, নুমীৎ ১৫নি চথগদবা কেম্প অসিদা ফমুং ৪০ লৈগনি। মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা দ্রগ য়ুজর কয়া অমা ময়াই কাবা চীঙাক্তি থাদি থাদোক্লিংবা অদুবু থাদোকপদি ঙমদবা, মসিদগী কোক্লবা মমা-মপা ওইবশিংনা মাঙজৌননা সী সী এস কেগী ওফিসতা লাক্লগা মখোয়গী মচাশিং অফবা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি অমদি অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি। য়াওশং কুম্মে ঈংনা চিক্না পাঙথোকপা ওইহনসি হায়খি।

অৱাবা ফোংদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী সাহিত্যদা অচৌবা মফম অমা কল্লম্বা এলাংবম সোনামণিনা মার্চ ১৫দা খঙহৌদনা লৈখিদবদা নহারোল সাহিত্য প্রেমি সাম্মিটিনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। সম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এ সী নেত্রজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মার্চ ১৬ তা সম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল উপেন্দ্র শর্ম্মনা ময়াই তাংবল লৌদুনা অৱাবা ফোংদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখি। সোনামণিগুম্বা শকনাইরবা অইবা অমনা লৈখিদবা হায়বসি লমদম অসিগী থৱানমিচাক অমা কেনখিবগুম্বনি। লৈখিদবগী থৱায় মিরেলনা মপুগী খুয়াখাদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা থৌনিখি। অৱা মৈশা লাংহৌরবা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা লৈবাক্লা শকখঙনরবা অইবা এলাংবম সোনামণিনা থা অসিগী ১৫ দা লৈখিদবদা মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। সোসাইটিগী সেক্রেটরি বি সুরেস শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা অইবা অসিনা লৈখিদবা অসি লমদমসিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবনি। সোসাইটি অসিগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম কিরনকুমারনা থৌরম মপু ওইদুনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021
* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.
Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6719/21/1-26/2

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
(HL-B/6777/10/2-16/3 (alt